**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-04-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী স্কাউটশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিংবু মশক খঙবা ওইনা পীবা ১১ শুবা গভনর রেল্লি (রাজ্য পুরস্কার) মনা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা মীওই ৩০ দা পীখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা হায়- স্কাউটশিংনা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎতুনা অকোইবগী ফিভমগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম, লাইরিক ময়েক চৎপা হেনগৎহনবা, মহৌশানা থোকহনবা অমাং অতাশিংদা তেংবাং পীবা অমসুং ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা পাউজেল পীবা য়াওরি।

রাজ্যপালনা হায়-নহা ওইরিবা স্কাউটশিংনা অফবা ৱাখল্লোন চেনবা, মীয়ামবু নুংশিবা, অখাঙ কনবগা লোয়ননা থৌদাংশিং পাঙথোক্কদবনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ২০৪৭ তা লৈবাক অসিবু ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা থল্লিবা পান্দম অসি য়ৌনবা নহাশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা-এম.এল.এ. কে.ঐচ. রাঘুমণি, থবক্তগী পোত্থারবা লেফটনেন্ট জেনরেল-কোনসম হিমালায়া সিংহ অমসুং দি.জি.পি. রাজিব সিংহনচিংবা মকোক থোংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**তাদুবি (এল)ঃ** চহি অসিগী এপ্রিল অমদা ক্বালিফাইয়িং দেট ওইরবা তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী ইলেক্তোরেল রোল ঙসি ফোংলে। রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-কেন্দ্র অসিগী অপুনবা ভোটর মশিংনা লিশিং ৪৭,৭৫৬ নি।

মসিগী মনুংদা নুপা ভোটর লিশিং ২৪,০৪৮ অমসুং নুপী ভোটরনা

লিশিং ২৩,৭০৮ নি। মীয়াম অমসুং রাজনিতি দলশিংনা মরী লৈনবা ই.আর.ও. নৎত্রগা এ.ই.আর.ওগী ওফিসতগী য়েংবা য়াগনি।

ইলেক্তোরোল ফোংবগী থৌরমগা মরী লৈননা লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্ত্রোরেল ওফিসতা ষ্টেট অমসুং নেসনেল পার্টি ওইনা শকখঙলবা দলগী মীহুৎশিংগসু মীফম অমা পাঙথোকখি। ঙসিগী দ্রাফট ইলেক্তোরেল ফোংবগী থৌরমদা জোইন্ট চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-রামানন্দা নোংমৈকাপ্পমনা হায়-

**থৌবাল (এল)ঃ** কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা ই-শ্রমদা রেজিস্তার তৌবগী অখন্নবা রেজিষ্ট্রেসন কেম্প ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী ঙরাংদগী হৌদুনা থা অসিগী ১৭ ফাওবা চথরগনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-আর.কে. দয়ানন্দানা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জিলা অসিগী ওইনা স্পিসিএল রেজিষ্ট্রেসন কেম্প অসি তোঙান তোঙানবা মফম তরাদা হাংদোক্লি।

থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মীয়ামনা জিলা অসিগী কম্মন সার্ভিস সেন্টরশিংদা চৎতুনা রেজিস্ত্রার তৌনবা আপিল তৌরি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামদা থখায় অমা চুপা চথুগদবা তরেৎশুবা পোসন পখৱারা ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা হৌখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামগী মখাদা আই.সি.দি.এস. চাইল্ড দিবলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসার-জিরিবামনা শিনবনি। থা অসিগী ২২ ফাওবা চথুগনি।

বিষ্ণুপুর জিলাদসু পোসন পখৱারা ২০২৫, ঙসি ওইনাম অৱাং লৈকাই পব্লিক হোলদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-লৌরেম্বম বিক্রমনা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মহাকা হায়-অসিগুম্বা কেম্পেইন অসি জিলাগী হেদক্বাটরদগী থাপা লৈবা খুলশিংদা পাঙথোকপা তঙাইফদে। মসিনা

হকশেলগী লমদা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবা ঙম্লগনি।

পোসন পখৱারা হৌদোকপগা মরী লৈননা আই.সি.দি.এস. প্রোজেক্ট ইম্ফাল ইষ্ট-শওম্বুংনসু পৌরাবি অমসুং কৈবীগী অঙ্গনৱাদি ৱাকর অমসুং হেল্পরশিংনসু রেল্লি অমা চৎখ্রে। রেল্লি লমথাবগা মরী লৈননা শওম্বুংগী সি.দি.পি.ও. কাংঙুজম দেবানন্দা মীতৈনা মীরোনবী, চাজেনবী অমদি পীক্লিবা অঙাংশিংবু অফবা চিঞ্জাক পীজবা লু-নান্না লৈহন্নবা, মতম চানা অঙাংশিংবু টিকা কাপথোক্ত্না মমাশিং অমদি অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা থম্বদা অঙ্গনৱাদি ৱাকর অমদি হেল্পরশিংনা থৌদাং লৌবিয়ু হায়না আপিল তৌখি।

**এময়ু (এল)ঃ** নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (এন.ই.টি) ২০২০ চৎনহনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতি কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র সিংহ হায়-মনিপুর য়ুনিভরসিতিনা একাডমীক সেসন ২০২১-২২ দগী নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ অসি মায় পাকা চৎনদুনা লাক্লি। অন্দর গ্রেজ্য়েট কোর্সশিংদা রিছার্স প্রোগ্রাম য়াওনা চহি মরি ওইহন্নবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদসু পনখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা বচসপতিময়ুম দেবদত্তা শর্ম্মা অমসুং নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহনা ইবা লাইরিক-'দা বামোনস ওফ মনিপুর-হিষ্টি, কলচর এন্দ সোসাইতি' সু ফোংখি।

থৌরম অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা কলেজশিংগী প্রিন্সিপালশিং, য়ুনিভরসিতিশিংগী রেজিস্ত্ররশিং অমদি য়ুনিভরসিতি কেম্পসকী দাইরেক্তরশিং শরুক য়াখি।

**মেট (এল)ঃ** মেটিরোলোজিকেল সেন্টর ইম্ফালনা হায়রি-রাজ্য অসিগী

তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল অমসুং চান্দেল জিলাদা লাক্কদৌরিবা পুং ২৪ অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

জিলাশিং অসি য়াওনা চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলগী মফম খরদা পারপনা নোং চুরবা য়াই।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা কেন্দ্র অসিগী মনুং চন্না লৈবা গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী মখাদা লম্বী থোং শেমজিল্লিবশিং ঙসি য়েংশিনখ্রে।

ইরেংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা মফমশিংদা শেমগৎলিবা লম্বীশিং অমদি সোরাদা শেমগৎপা অনৌবা শান্নবুং, পল্লেলগী লম্বী শেম্বগী লম্বীনচিংবা য়েংশিল্লদুনা এম.এল.এনা হায়-চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপ্তুনা চৎথগনি। রাজ্যপাল অমদি মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা হেন্না পুকিং থৌগৎলকপবুসু এম.এল.এনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী ওইনা নোংমৈ লাইসেন্স পায়বা পুমমকা মখোয়গী লাইসেন্স অদু মরি লৈনবা পুলিস স্তেসনশিংদা ভেরিফিকেসনগীদমক থা অসিগী ৩০ ফাওবদা পীখৎলকবা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ট্রেটনা হায়রি। পীখৎলক্ত্রবদি লাইসেন্স অদু ককথৎকনি।

**কার্ড (এল)ঃ** ষ্টেট হেলথ এজেন্সি অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস মনিপুরগী মীৎয়েং মখাদা সি.এম.ঐচ.টি. অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাই. হেলথ কার্ড শেম্বগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবী লাইনিংথৌ পুথিবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

পৌরাবী লমজিং মৈরা পায়বী অমসুং মোধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিএল ত্রষ্ট-পৌরাবীনা শিনবা থৌরম অদুদা চহি ৬০ গী মথক্কী অহল ১০০ রোমগী

কার্ডশিং শাখি।

**ভেক্সিন (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী কোংপাল ময়াই প্রাইমারি স্কুলদা ঙসি হুই ১৫০ অমসুং হৌদোং ৬৪ দা এন্তি রেভিসকী হিদাক কাপথোকখ্রে।

থৌরম অসি কোংপাল সোসিএল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন কম য়ুথ সেন্টর, মঙাললৈমা ভি.এল.এফ, খুরাই খাইদেম গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী ভেটিরিনারি বিভাগকা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা সেরিকলচর ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুটকী প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসতা লৈরিবা মীওইশিংগী হুই-হৌদোং ৩৮ রোম ঙসি এন্টি রেভিসকী হিদাক কাপথোকখ্রে।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিটনা শিনদুনা চথরিবা পোস্তার কেম্পেইনগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি বিল বোর্ড সো, জিরিবামগী দি.সি. কমপ্লেক্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থেৎখ্রে। থেৎলিবা বিল বোর্ডশিং অসিদা অঙাংশিংবু মতৌ করমা ঙাকপী শেনবীগনি হায়বগী মতাংদা উৎলি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলনা মৈ নিয়ম লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমরশিং ফাগৎপগী থবক চথুরি।

ঙসি লমফেল সব দিভিজনদগী কঞ্জুমর অনি, লমলোং সব দিভিজনগী হৈঙাং মখা লৈকাইদগী অহুম, সুগ্‌ দিবিজনদগী অমা, মোইরাং সব দিভিজনদগী মঙা, কুম্বী সব দিভিজনগী ৱাংঙু পার্কিংদগী অমা, সাইকুল সব দিভিজনদগী জিলফাই খুলদগী অনি পুন্না কঞ্জুমর ১৪ ফাগৎখ্রে। কঞ্জুমর ৯ গী মৈ ককথৎখ্রে।

ঙরাংসু ৱাংখৈ সব দিভিজনদগী কঞ্জুমর মঙা, লমলাই সব দিভিজনদগী মঙা, ককচিং সব দিভিজনদগী অমা, থৌবাল সব দিভিজনদগী অনি, লিলোং সব

দিভিজনগী নুঙগৈ খুনৌ মসজিদ মমাং এরিয়াদগী অমা, ৱাংজিং সব দিভিজনদগী অহুম, য়াইরিপোক সব দিভিজনদগী অমা, নম্বোল সব দিভিজনগী নম্বোল শম্বল লৈকাইদগী অমা, লৈমখোং সব দিভিজনদগী অমা, লিতান সব দিভিজনদগী মরি পুন্না কঞ্জুমর ২৪ ফগৎলে অদুগা কঞ্জুমর ২০ গীনা মৈ ককথৎখ্রে।

**পিএমঃ** কেন্দ্রগী ফ্লেকশিপ স্কিম প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা য়োজনানা মংলান কয়া মংফাওনহন্নদুনা মীওই কয়াগী পুন্সিদা চাউনা অওনবা পুরক্লে হায়না স্কিম অসিগী কান্নবা ফংলিবা মীওইশিংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুঙাইবা ফোদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি অয়ুক নিউ দেল্লিদা মহাক্কী য়ুমদা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংলবা মীওইশিংগা ৱারি শান্নখি। ইং কুমজা ২০১৫ গী এপ্রিলদা হৌদোকখিবা স্কিম অসি চহী ১০ মপুং ফারে।

শ্রী মোদিনা হায়-মুদ্রা য়োজনা অসি মশিং থিঙমদ্রবা মীওইশিংদা শেলগী তেংবাং পীনবা অমসুং মখোয়গী ওন্ত্রপ্রনুয়র ওইবগী হৈ শিংবা অদু উথোকচবা ঙমবা হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংদা শক্তি পীদুনা মশা মরোদোম লেপচবা ঙমবা অমসুং থবক থিবা মী ওইবগী মহুত্তা থবক পীবা ঙম্বা মীওই ওইহন্নবগী পান্দম থল্লি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মুদ্রা লোনগী কান্নবা ফংলিবশিংগী চাদা ৭০ হেনবদি নুপীনি অমসুং তংখাই অমরোমা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব অমসুং ও.বি.সি নি। মুদ্রাগী লোন খুদিংমক অসি মী অমগী মশাগী ইজৎ অমসুং খুদোংচাবা ফংবগী খুদমি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা শিংথাখি।

ৱারি শান্নবা অদুদা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংলবা মীওই কয়ানসু মখোয়না ওন্ত্রপ্রনুয়র অমা ওইনা থেংনরকপশিং প্রধান মন্ত্রিদা পাউদমখি।

**ভিজিটঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা দুবাইগী য়ুবরাজ অমসুং য়ু.এ.ইগী উপ প্রধান মন্ত্রি-সৈখ হমদান বিন মোহোমদ অল মাকতুমগা ঙসি ন্যু দিল্লিদা উন্নখ্রে। মহাক নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ভারত্তা লাকখিবনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অমসুং য়ু.এ.ইগী মরী ফগৎহনবদা দুবাইনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরুপ-মপাং ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্দুনা তুংগী পুন্সিদা হেন্না খুমাং য়াংশিনবা ওইরগনি। প্রধান মন্ত্রিগা উন্নদ্রিঙৈ মমাংদা মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহগসু মীফম পাঙথোকখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা ডা: জয়শঙ্করনা ক্রাউন প্রিন্স অসিবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা হায়-মহাক্কী অফবা ৱাখল্লোনশিংনা লৈবাক অনি অসিদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্দুনা হেন্না মরী চেৎশিলহল্লগনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগা পোর্টুগলগী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবুশিংগা লৈবাক অনিগী মরা হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

রাস্ত্রপতিগী পোর্টুগল খোঙচৎকী ঙসি নিনি চনবা অমসুং অরোইবা নুমিৎতা রাস্ত্রপতিনা লৈবাক অদুগী বিধান সভাগী অধ্যক্ষগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়-রাস্ত্রপতিগা পোর্টুগলগী বিধান সভাগী অধ্যক্ষগা ৱারী শান্নবা অদু লৈবাক অনিগী ওইনা অফবা খোঙথাং কয়া ওইরগনি। রাস্ত্রপতিগা সংসদকী মীওইশিং অমসুং ভারত-পোর্টুগলগী পার্লিয়ামেন টরি ফ্রেন্দসিপ গ্রুপকসু উন্নখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন, লালাম্বুং মখোঙনা ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী চেম্পিয়ন ওইরে।

ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈরিবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ননা সঙাই হেরোজপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** এ.আই.এফ.এফ. সব জ্‌নিয়ার লিগকী গ্রুপ (জি) শিল্লোংদা

শান্নখিবা মেটচ অমদা মনিপুরগী টি.ৱাই.দি.এনা শিল্লোং লাজোং এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** টি.ৱাই.দি.এ. তৌবুলনা ১৫ শুবা লোক্তাক ট্রোফি অন্দর সভেন্টি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইরে। অমোফা মোইরাংনা শিনবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা টি.ৱাই.দি.এ. তৌবুলনা অমোফা একাডমী মোইরাংবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা টোপ স্কোলর-নিংথৌজম ধনরাজনা তাখি। ভেষ্ট প্লেয়ারনা টি.ৱাই.দি.এগী নিমা তমাংনা তাখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** এল.এম.এল.সি.সি. লাংমৈদোংনা শিনবা মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন নাইন মেন এ সাইট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ঐচ.এফ.সি. লাংমৈদোংনা এল.এম.এল.সি.সি. টিম (এ) বু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-কে.সি.সি. কোংবনা বি.এস.সি. ব্রহ্মপুরবু রন-২২ দা, য়ু.সি.সি. উরিপোকনা এল.সি.সি. লমশাংবু ৱিকেট তরুক্তা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা-ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীবু ৱিকেট ৯ দা, থাউ থাংমৈবন্দনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংবু রন-১৭৩ দা মায়থিবা পাখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি হাউবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ট্রোফিগী ঙসি তোঙান তোঙানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন-১৬৫, ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোহবু রন-২ দা, ই.এস.য়ু ৱাংখৈনা চেম্প খাগেমপল্লিবু রন-৩৪ দা থোইখ্রে।

**কাং (এল)ঃ** অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- খুন্দ্রাকপমনা য়াইস্কুলবু পাঞ্জল ১৬-১২ দা মায়থিবা পীখ্রে। হয়েং নম্বোল অমসুং থাংমৈবন্দ শান্নগনি।